# মালেমদা ফাওরবা কোমেডিয়ান, চার্লি চাপ্লিনগী মরমদা খঙজিনবা য়াবা খরা


Bella Abzung


Charlie and Jackie Coogan


Mrs. and Mr. Walter Matthau

- অদুনা চার্লি মতৈ-মনাওদু লম্বীদা Bermuda হায়বা মফমদুদা হান্না চৎলে। মফম অদুদা উনা পোকখিবনি অমসুং মপানা থন্বীরম্বা মাগী লন-থুম খরসু লৈরি। অদুদগী মখোয়নী ন্যু য়োর্কতা ১৯৭২গী এপ্রিল ২দা থুংলে। মখোয়নিবু কেনেদি এয়রপোর্টতা পাউমী চান্মরোম্না ঙাইদুনা লৈরম্লে। চার্লিসু মীয়ামদু উবদা হরাওদুনা প্লেন্দগী কুমথরকপা কৈরাক মথক্তগী মখূৎনা মচিনবান্দা কিস তৌদুনা ময়ামদুবু মায়োক্লখি।
- অদুদগী মতৈ-মনাওবু ঙাইরম্বা কার অমনা Plaza হোটেলদা পুখ্রে। নুমিদাংদু উনাগী লৈশারিঙৈগী মমান্নবী Gloria Vanderbitt Cooper না মখোয়নীবু চাক্কৌই। মদুদা অতৈ মশক নাইবা মীওইশিং - Lillian Gish, Adolph Green, Geraldine Fitzgerald, Truman Capote অমসুং George Plimpton সু য়াওখি।
- মথংগী নুমিৎতনা মতৈ-মনাওমক Cacklail party অমা য়াওরগা Philharmonic Hall দা থুংলুরে। মফম অদুদনা মাবু মীয়াম্না মাবু ওক্কদৌরিবনি। মদু Lincoln Center Film Society গী মতেং ওইনবা ফন্দ তানবনি। ডোল্লর ১০, ২৫, ১০০গী টিকেট য়োল্লিবনি। পুন্না মী ২৭০০ লোল তিনখি। মথংদা ডোল্লর ২৫০ টিকেট ওইবা Champagne reception সু পীখি।
- হোল হেক চঙলকপদা খুবাক খূদুনা মাবু ওকখি। মাগী ফিল্ম The Kid অমসুং The Idle Class পন্দুনা লাউরকখি। ভাবক কয়াদি মমিৎতগী মপি তানা কপখি। মাসু কপখি। মানা ৱা ঙাঙবদা মানা হায়খি : "This is my renaissance, I am being born again" মহাক ৱা ঙাঙবফাও ঙমখিদে, ইমোসন্না হেনখিবনা ৱা তেনশিনখি।
- চাব-থকপগী মতম য়ৌরক্লবদা মাবু ঙাক শেন্দুনা পীজনবা হোৎনবদু মানা য়াখিদে। অদুদগীদি মীনা মাগী টেবল অদু কোয়শিল্লকখি। Congress-woman, Bella Abzung না মাবু কিস তৌগদবগী নোন্থরকপদা মানা লাউখি- "The audience, the audience." মাবু অমুক্তং মনাক নকহৌদৌবগী হোৎনরকপা ময়ামদুগী মরক্তা Claire Bloom অমসুং মাগী হান্নগী নুপী Paulette সু য়াওখি। মিনট ২ খক ৱারী শাবা ফংখি।
- মথংগী নুমিৎতনা Manhattan গী Councilman, Carter Buden না মাবু চাক্কৌরি। মানা ডাইন্নিং রুমদুদা হেক চঙলকপদা মীয়াম্না তরাম্না ওকখি। মদুদা য়াওরম্বা ৱেটর অমনা হায়রে - "১৯৫২দা মানা চার্লিবু হোটেল অদুদা চাবা লাকপদা সেবা ফংখি।" মদু তাবদা চার্লিনা মঙোন্দা- Well, Thank You হায়খি।
- লঞ্চ অদু লোইরবা মতুংদা ১৯৫২দা মানা সহরদুদা লাকপদা ফোটো নমখিবা Richard Avedon লাক্তুনা উনরে। অদুদগী মতৈ-মনাও Gracie Mansion দা চৎখ্রে। মফমদুদা মাবু Mayor Lindsay না ন্যু য়োর্ককী খ্বাইদগী ৱাংবা Cultural Award, Handel Medallion হায়বদু খূৎশিন্নখি। মদুদা ফোটোগ্রাফরশিংদুনা নোকফেৎ তৌবীয়ু হায়রকপদা চার্লিনা ফাগী তৌখি - "I'm afraid my teeth might fall out." অদু হায়রদুনা মখূৎবাক্লা মখদাং পায়খৎতুনা নোকমিন্নখি।
- অদুগী মথংদি চার্লি মতৈ মনাও হোলিৱুদ পাংখ্রে। মদুদা মানা Special Oscar মনা লৌগদৌরিবনি। মানা লোস এঞ্জেলস ফাওনা লাকপদদি মহাক লাকচরল্লোইদবনি খল্লকখি। মহাক নুংঙাইরকখিদে।
- মাগী ষ্টুদিও লৈখিবা A. & M. Records কম্পেনি অদুনদি মাগী ইকায়খুম্নবা উৎলন্লি। বিল্ডিং অদু নেসনল মোন্যুমেন্ট ওইনা থমখি, অদুগা চাপ্লিন ম্যুজিয়ম কৌবা অমসু হাপচিল্লল্লে, চার্লিগী ফোটো য়েকপা ফিরাল পরেং য়ুংদুনা ওক্লবা শেম শারম্মী। অদুবু চার্লিনদি মাগী ষ্টুদিওদু অমুক চঙনীংদবদগী নোংমাইজিং থোঙ লোনগদবা নুমিৎতা ফাওদুনা চৎখি। অদুনা মাবু ওকপা ঙমখিদ্রে। মানা লোন্না য়েংখিবদা মাগী থায়নগী মরুপ Tim Durant সু লেপ্তুনা লৈহৌবা উখি।
- নুমিদাংদু উনাগী মরুপ Mrs. Walter Matthau হায়বদুনা মখোয়নীবু চাক্কৌই। মদুদা Tim Durant সু য়াওখি। চাবা লোইরবা মতমদা চার্লিনা Durant কী টেবলদা লাক্তুনা কৌরখি। মদুদা টিমদু খাঙবা ঙমখিদে, মপি শিন্থরকখি।
- মথংগী রিসেপ্টসন অমদনা চার্লিগা মাগী ফিল্ম কুম্লম্বী Georgia Hale গা থেংনখি। Georgia দু ফিভম অদুম ফজরম্মী, মশমদি লেংবান য়ৈরম্লে, পা শাংলম্লে।
- Hollywood কী ফঙ্কসন অমদনা Jackie Coogan অমসুং মাগী নুপীগা থেংনরে। জেকিনা দি কিদ ফিল্মদা অঙ্কল ফেষ্টর শাখিবনি। হৌজিক্তি মকোক তাঙলম্লে, চহী ৫৭শুরম্লে। মহাক উবদা চার্লি পি তারকখি। কোনশিন্নদুনা কপশিন্নখি। চার্লিনা হায়দোকখি - "What a pleasure to see you." অদুদগী উনাগা জেকিগা মায়োক্লখিগ্রিঙৈদা চার্লিনা জেকীগী নুপীদু মপান্থোম পায়দুনা চিংথোক্লগা হায়রম্মী, "You must never forget, Your husband is a genius."
- ওস্কার লান্থোকপগী ফঙ্কসন অদুসু থমোয় নৌবা ফঙ্কসন অমা ওইখি। চার্লি মতৈ মনাওনা দ্রেসিং রুমদা লৈরিঙৈ ভাবক মরক্তা কনা কনা য়াওরি হায়বদু টি ভি মোনিটর অমদা লোইনা উরে। অহানবদদি মখোয় কনা অমত্তা লাকপীদদনা চোপ্লদ্রা খল্লুবনি। অদুবু মীনা চোনখ্রে। চার্লিগী ৱা ঙাঙবা মতাঙদা ৱা ঙাঙবা মরৈ তৎলে, পিনা হানখ্রে। অদুবু মমৈদদি মহাক ঈশৈ শক্তুনা উনাগা জগোয়ফাও শাখি। মীয়ামগী মরক্তা।
- ১৯৭২গী সেপ্টেম্বরদনা Venice Film Festival দা Golden Lion মনা পীরে। মপান্দনা St. Marks Square দা মাগী ফিল্ম ক্ষ্টত্র Lights উৎখি। মনাদু ইটালিগী প্রসিদেন্টকী নুপীনা খূৎশিন্নখি। মনা লৌরবা মতুংদা চার্লিবু মাগী ফিল্ম উৎলিবা Square অদুদা পুরকখি। মাসু মীয়ামগা পূন্না ফিল্মদু য়েংখি। -মথং-মথং

## খঙ্জিল্লুদবা অচুম্বশিং

- থৱায় পানবা পুন্নমক ঈশিং য়াওদনা হিংবা ঙমদে। থৱায় পানবশিংগী মনুংদা ঈশিং য়াওদনা মতম খ্বাইদগী শাংনা হিংবা ঙম্বসি উচিনি।
- বীয়র লিটর অমখক শেম্বদা ঈশিং লিটর ২৫ চংই।
- মপং ওইগেরা মহী ওইগেরা ঐখোয় মীওইবনা চারিবা চীঞ্জাক খুদিংমক্তা ঈশিং য়াওই।
- ষণ-শা (বীফ) কিলোগ্রাম অমখক পুথোক্লবা হোৎনবদা ঈশিং লিটর লাক্ষ অমা চংই। তশেংবদি ষণনা ঈশিং লিটর লাক্ষ অমা লোইনা থকপগী ৱাফম নত্তে। ষণ-শাশিংগী চাননবা চীঞ্জাক শেম্বদা চঙবা ঈশিংগী চাং অদু পাথোক্লগা য়েংবদা খঙলকপনি।
- মীওইবগী খ্বাইদগী মরু ওইবা চীঞ্জাক মখল অমা ওইরিবা চাক অসিবু থোংনবা চেঙ কিলোগ্রাম অমখক পুথোক্লবা হোৎনবদা ঈশিং লিটর ১৯০০ লোম চংই।
- মালেমগী খ্বাইদগী শাংবা তুরেলদি অফ্রিকাদা লৈবা নাইল তুরেলনি। তুরেল অসিগী অশাংবা কিলোমিটর ৬৬৭০ নি।
- সমুদ্র ময়ামগী মরক্তা অমগা অমগা ঈশিং শাবা মান্নদে। ঈশিং খ্বাইদগী শাবা সমুদ্রদি পর্সিয়ন গল্ফনি। সমুদ্র অসিগী ঈশিং শাবগী চাং সেন্টিগ্রেদ দিগ্রি ৩৫ নি।
- পেসিফিক ওসীননা খ্বাইদগী চাউবা ওসীননি অমসুং অর্কটিক ওসিননা খ্বাইদগী পীকপনি।
- মালেমগী লৈবাক অয়াম্বদা হৌজিক থবক ফংদবগী অৱাবা মায়োক্লবা তারবসু এন্দোরা হায়রিবা লৈবাক অসিদদি থবক ফংদবা মীওই অমত্তা লৈতে।
- নুমিৎ খুদিংগী অমেরিকা মচাশিংনা হুন্দোক্লিবা এলুমিনিয়মশিং অসি থা অহুম পুনশিনবা তারবদি হৌজিক হৌজিক য়ু এসতা শীজিন্নরিবা কমর্সিয়ল প্লেন মশিং অসিগা চপ মান্নবা অতোপ্পা প্লেনশিং শাবা কোন্নগনি।
- রোমগী কোলিসিয়ম অসি নোংমা ফাওবা কাংদনা চহী ৪০০ রোম শীজিন্নখি।
- এয়র কন্দিশনর (এ সি) না সিলিং ফেন্দগী মৈ (এনর্জি) শীজিন্নবগী চাং চাদা ৯৮ হেল্লি।
- কেনাদাগী খ্বাইদগী ঙন্বা লম্বীদি ন্যু ব্রন্সৱিককী সেন্ট জোনদা লৈ। মফমসিগী লম্বীদি লৈকাই অনী লান্না ফুট ৮০ রোম ঙমখৎলি।
- "ওরিয়েন্টেল সিঙ্গরস" কৌবা সিঙ্গাপোরগী ঈশৈ শকপা কাঙবু অমনা শুংলেপ লেপ্তুনা পুং ৭৪ গা মিনিট ৫ ঈশৈ শকপা ঙমখি।
- শ্বর মনম নমথিবা অমেরিকা মচা মিলিয়ন ৪০ হেন্না লৈ।
- য়ু এস প্রসিদেন্টগী ময়ুম ওইরিবা হ্বাইট হাওসকী মপান থংবা শরুক খক্তং রং তৈবদা রং গেলোন ৫৭০ রোম চঙই।
- ইংলিশ লোনদা 'টাইম' হায়বসিনা খ্বাইদগী কমন ওইনা শীজিন্নবা নাউননি।
- ইটালিগী খ্বাইদগী চাউবা বিজনেসতি মাফিয়ানি। মসিদগী দোলর বিলিয়ন ১৭৮ লোম চহী অমদা তানবা ঙম্মী।
- ইটালিগী খোঙউপ শাবা নুপা অমনা য়ু এসকী জোর্জ দব্লিয়ু বুশ অমদি ইরাক্কী সদাম হুসেনগী খোঙউপ শাখিবনি।
- লন্দনগী সেন্ট পোল'স কেথেদ্রেল মনাক্তা লৈবা 'ৱাকি টৌকি বিল্ডিং' হায়না খঙনবা স্কাইস্ক্রেপর অমদগী থক্তোরকপা নুমীৎকী মঙালনা য়ৈবদা মনাক্তা খাল্লম্বা জাগুৱর এক্স জে কার অমগী সাইদ মিরর অমসুং পেনেল শৌদোকখি।
- সিলেবল অমত্তা ওইবা খ্বাইদগী শাংবা ইংলিশকী ৱাহৈদি 'SCREECHED' হায়বসিনি।
- 'CRASH' হায়বসি রাইনোশিংগী অপূনবা শঙ্গু অমগী মমিংনি।
- CABBAGE, BAGGAGE অমদি FEEDBAG হায়বা ৱাহৈশিংসিদা য়াওবা ময়েক খুদিংমক ম্যুজিকেল ইন্স্ট্রুমেন্ট অমদা খোংবা য়াবা ঙাক্তনি।
- অরিবা অমেরিকন ৱাহৈদা কেনাদা হায়বসিগী ৱাহন্থোক 'অচৌবা খুঙ্গং' হায়বনি।
- সাইন্স ফিক্সন ফিল্মশিংদা উৎলিবা পুন্নমক থাজবা তারবদি কনাগুম্বা অমবু স্পেস সুইট য়াওদনা স্পেস-শিপ অমদগী ইন্থোকখিবা মতমদা কিনিংঙাই ওইবা খুদোংথিবা কয়া মায়োক্লগনি। অদুবু মসি থোক্লকপা য়াই হায়না ৱাখলনা শাগৎপা ঙাক্তনি। হকচাংবু মচেৎ মচেৎ তানা পোকখায়গনি হায়না হোলিৱুদ ফিল্মশিংদা উৎলিবা অদুমক্তি থোক্লোই। অহাঙবা ভেক্যমদা মহী পুন্নমক শৌগৎলকপা তারবসু হকচাং মনুংদা য়াওবা ঈদি সর্ক্যুলেটরি সিষ্টমনা ঙাক শেনবা মরম্না করিসু থোইদোকপা তৌরোই। শুন্দ্রংদা য়াম্না ঈংবা তারবসু থর্মো ফ্লাস্কতা হাপ্পা অশাবা ঈশিং পাক হেক ঈংথদবগুম হকচাংসু পাক ঈংথরোই। তশেংবদি শুন্দ্রংদা মী শিগদৌরিবসি নুংশিৎ ফংদবদগীনি।
- হকচাং মনুংদা লৈরিবা বেক্টিরিয়াশিংগী মতেং য়াওদনা মীওইবনা হিংবা ঙমদে। বেক্টিরিয়া মখল খরনা চাবা তুমহনবদা মতেং পাংবগা লোয়ননা লায়না কয়াদগী ঙাকথোকপদা অচৌবা থৌদাং লৌই।
- মায়দা মশল ৬০ রোম য়াওই। কনাগুম্বা অমনা নোকপদা মায়গী মশল ২০ শীজিন্নে। শাউবদনা ৪০ শিজিন্নে।
- অপীকপা ঈ মরীক অমখক্তংদা য়াওরিবসি রেদ ব্লদ সেল মিলিয়ন ৫, প্লেটিলেট ৩,০০,০০৯০ অমসুং হ্বাইট সেল ১০,০০০ নি।
- মীওইবগী থোপ অসি য়েংবদা য়াম্না চাউবা অমসুং ইখুই খুইজিল্লবা ৱালনট মাল্লি।
- রেদ ব্লদ সেল অমগী মপুন্সি থা ৪ রোমনি। হায়রিবা মতম অসিগী মনুংদা রেদ ব্লদ সেল অমনা হকচাংগী কাচিন-কোয়া শিবা থুংনা চৎতুনা অতৈ অতোপ্পা হকচাংগী সেল ট্রিলিয়ন ৬০ রোমগী মচীঞ্জাক থাকই।

# কুচুসু ফজহনবা স্কিন কেন্সরদগীসু ঙাকথোক্লিবা - সনস্ক্রীন



মীওই ফুরুপ অয়াম্বনা লাইমক্লি হায়না ঈরাৎ-থৌনি তৌনরিবা নুমীৎনা থৱায় পানবশিংদা পীরিবা খুদোল অসি অসুক্কী মতীক মমল নাইদে। য়াম্না শেংনা হায়রবদা মীওইবদি লায়রদনা লেঙলি-পাল্লিবা থৱায় পানবা খুদিংমক নুমীৎ য়াওদনা হিংবা ঙল্লোই, অদুবু নুমীৎতগী থাদোরকপা নুংশাগী মঙালদা য়াওবা অল্ট্রাভাইওলেট রেদিএসন্না য়ৈবদা ফনা ফজৈ হায়নরম্বা মীওই কয়া কুচু মকশিল্লক্তুনা শক থীজিল্লকই। মসিদগী হেন্দোক্তুনা উনশাদা কেন্সর নারকপা ফাওবা য়াওই। অসিগুম্বা নুমীৎকী অল্ট্রাভাইওলেট রেদিএসন অসিবু ঙাকথোক্লবগীদমক তোঙান-তোঙানবা মখলগী সনস্ক্রীন লোশন অমসুং ক্রীম কয়া পুথোক্লরক্লি।

অল্ট্রাভাইওলেট (য়ু ভি) রেদিএসন হায়বসি নুমীৎতগী মালেমগী লৈমায়দা য়ৌরকপা ইলেক্ট্রোমেগনেটিক (লাইট) স্পেক্ট্রমগী শরুক অমনি। য়ু ভি রেদিএসনগী ৱেভলেঙথ অসি উবা ঙম্বা মঙালগী ৱেভলেঙথতগী হেন্না তেল্লি। মরম অদুনা মীৎনা উবা ঙমদে।

য়ু ভি-এ অমসুং য়ু ভি-বি হায়দুনা অল্ট্রাভাইওলেট রেদিএসন মখল অনী শুই। মখল অনীমক্লা উনশাবু অমাঙ-অতা থোকহনবগা লোয়ননা কুচু মকশিলহল্লি অমসুং উনশাগী কেন্সর ওইহল্লকই।

ইমুংদা অসুম লৈবদি য়াদবনিনা থবক-ইনখাং চথোকপদা য়ু ভি রেদিএসনদগী ঙাকথোক্লবগীদমক পুথোক্লরক্লিবা সনস্ক্রীন প্রদক্টশিংদা এস পি এফ নৎত্রগা সন প্রোটেকসন ফেক্টর হায়বা অমা য়াওই। সনস্ক্রীন প্রদক্ট অমনা কদায় ফাওবা মীওইবগী উনশাবু য়ু ভি রেদিএসনগী ঙাকথোকপা ঙম্বগে হায়বদু এস পি এফকী মগুণনা লেপ্পী। য়ামদ্রবদা এস পি এফ-১৫দগী তাদনা য়াওবা সনস্ক্রীন প্রদক্ট অমা শীজিন্নবনা উনশাবু অশোয়-অঙাম য়াওদনা থম্বা ঙম্মী।



ব্রোদ-স্পেক্ট্রম সনস্ক্রীন শীজিন্নবা তারবদি য়ু ভি এ অমসুং য়ু ভি বি রেদিএসনদগী উনশাবু ঙাক-শেনবা ঙম্মী।

সনস্ক্রীন শীজিন্নবা ফৈ নৎত্রগা ফত্তে হায়বগী মতাংদা অওক-অথোঙ তৌনবগী তাঙ্কক অমা লৈখিবা মরম্না মীয়ামদা চিংনবা, চমম্নবা খর লৈরম্বা অদু য়ু এসকী ফূদ এন্দ দ্রগ এদমিনিষ্ট্রেসন (এফ দি এ)না ময়েক শেংনা শেংদোকরকপদগীদি চিংনবা পুন্নমক কোকখ্রে। সনস্ক্রীনদা য়াওবা ওক্সিবেঞ্জোন অমসুং রেটিনাইল পালমিটেট কৌবা মচলশিংগী মতাংদা ফৈ অমদি ফত্তে হায়বা ৱাফম কয়া লৈখ্রবনি।

স্কিন কেন্সর ফাউন্দেসনগী রিপোর্ট অমগী মতুং ইন্নদি নুংশা মরক্তা চৎপা মতমদা সনস্ক্রীন শীজিন্নবগী মথক্তা টুপী অফনবা অমা অমসুং সনগ্লাস উপ্পগা লোয়ননা হকচাংগী শরুক পুন্নমক কূপ্পা ফিরোন শেৎকদবনি।

নন-মেলানোমা স্কিন কেন্সরগী কেস চাদা ৯০ অমসুং মেলানোমাগীনা চাদা ৬৫ রোম নুংশা মঙালদা য়াওবা য়ু ভি রেদিএসন্না থোকহনবনি হায়না খঙবা ঙম্লে। মখা তানা থীজিনবদা নুমীৎ খুদিংগী অফবা মখলগী সনস্ক্রীন প্রদক্ট শীজিন্নবনা স্কিন কেন্সর মখল অনীমক্কী রিস্ক হন্থহল্লি হায়বসু খঙবা ঙম্লে। অদুনদি কুচু ফজনবগী ৱা ঙাক নৎতনা কেন্সরদগী ঙাকথোক্লবগীদমক মীপুম খুদিংমক অফবা মখলগী সনস্ক্রীন প্রদক্ট অমা নুমীৎ খুদিংগী শীজিন্নবা হায়বসি য়াম্নমক তঙাই ফদবা অমা ওইরে।

## অচীকপদা হিংলিবা পূন্সি মহিং

# না তাথিবা



মীৎ উদ্রবা মীওই অমনা অমুবা আনোক উপ্পগা অঙৌবা মচুগী চৈশু পায়দুনা লম্বীদা চৎলম্বদা অউবশিংনা মীনুংশিগী মীৎয়েংনা য়েংবী। হক- চাংগী ফীভম শোইনাইরবা অতৈ মীওইশিংসু অদু মঙাইরে। হেক উবদা মীপুম খুদিংমক্লা মীনুংশি পোকই। অদুবু না তাথীবশিংদি কদায়। হেক য়েংবদদি অশোয়বা অমত্তা য়াওদবা মানবা তারবসু না তাথীবা মীওই খুদিংমক অয়াম্বা মতমদা নহা, অহল খাক্তনা মীপুম খুদিংমক্কী নোক্লবীফম ওইদুনা লাক্লিবনি।

না তাথীবা হায়বসি কনাগুম্বা অমনা খোঞ্জেল হৌনা ঙাঙবা ৱাফমশিং তাবদি তারগা ময়েক শেংনা লৌশিনবা ঙমদববুনি। ফীভম হেঞ্জিনখিদুনা না পঙবা হায়বদু ওইখ্রবদি মালেম অসি পুমচিক চীকপা মফম অমগুম ময়াম্না ঙাঙনা শক্লরিবা লাউ-খোংলিবা খোঞ্জেল অমত্তা তাবা ফংলোইদৌরিবনি।

কনাগুম্বা মীওই অমা তাবা ঙম্বগী চাং হন্থরক্তুনা না তাথীবা হায়বদু ওইহল্লকপগী মরু ওইবা মরমশিংদি চহী য়ামশিল্লকপা, অহৌবা খোঞ্জেল তোয়না তাবা, ঈ মরীদগী লৌনরকপা, অকনবা অনাবা মখল খরা, ময়াই কনবা হীদাক-লাংথক চাবা অমদি কোক্তা শোকপা-পনবা য়াওখিবা অসিনচিংবনি।

চহী য়ামশিল্লক্তুনা অহল ওইশিল্লকপগা ইরোয়ননা তাবা ঙম্বগী চাং হন্থরকই। মসিবু প্রেসবাইক্যুসিস হায়না খঙনৈ। মীওই অয়াম্বনা মীয়ায় চল্লকপা মতমদা ফীভম অসি ওইরকই।

অয়াম্বা মতমদা না তাথীবা ওইহল্লকপগী মরমদি অহৌবা খোঞ্জেল তোয়না তাবা হায়বসিনি। মালেমগী ওইনা না তাথীবা মীওই চাদা ৫ রোমদি অহৌবা মখোলনা ওইহল্লকপনি। গাড়ী তোয়না চেনবা লম্বী মপাল নৎত্রগনা এয়রপোর্ট মনাক্তা লৈবা মীওইশিংসু না তাথীবা মীশক ওইরক্লবগী রিস্ক ৱাংই।

মীওই অয়াম্বনা মশা-মশাগী অকোয়বদা লৈরিবা খুদোংথিনিংঙাই ওইরবা মখোলশিং থোইদোক্লা থৌশারুবা তৌদে। খুদম ওইনা হায়রবদা কার ষ্টেরিও, অঙাংগী শান্নপোৎ, গাড়ী, মীয়াম তিনবা মফম, নাপী ফান্নবা মেছিন অমদি শম কংহন্নবা হ্যের ড্রাইয়রগী মখোলনা নাকোংদা অকায়বা পী হায়বা কনানসু খন্থরুবা তৌদে।

ঈ মরীদগী লোয়নরকপা অশোয়বা অমনা মরম ওইরদুনা ওইহল্লকপা না তাথীবগী থৌওংদি লায়েংবদা ৱানা থোকই। মীজল্স, মেনিঞ্জাইটিস, ওটো-ইম্যুন দিজীজ, ঐচ আই ভি/এইদস, ফীটেল অলকোহোল সিন্দ্রোম (য়ুথকপা নুপীনা পোকপা অঙাং), থা শুদনা পোকপা অঙাং, মিফিলিস অমদি ষ্ট্রোক্লচিংবা অনাবশিংনসু না তাথীবা ওইহল্লকপা য়াওই।

হীদাক-লাংথক মখল খরনসু সেন্স ওর্গানদা অকায়বা পীদুনা তাবা ঙম্বগী চাং হন্থহল্লকপা য়াওই। ঈশিং চৎপা নুংঙাইনবা হীদাক (দাইয়ুরেটিক), চৈনাখোল ফাথনবা পেন কিল্লর অমদি এন্টিবাইওটিক মখল খরনা না তাথীবা ওইহল্লকপা য়াই হায়না য়ু এস ফূদ এন্দ দ্রগ এদমিনিষ্ট্রেসন (এফ দি এ) না ফোঙদোকখি।

এঞ্জিন পানবা গাড়ীদগী থোরকপা মৈখুদা য়াওবা টোক্সিক কেমিকেলশিংনসু ওদিটরি সিষ্টমগী ময়ায় থংবা শরুক্তা অকায়বা পীদুনা না তাথীবা ওইহল্লকই। কোক্তা শোকপা-পনবা য়াওখিবা মতমদসু না তাথীবা ওইহল্লকপা য়াওই। কিং জোর্দানসু মশাগী চহী ২১ শুরকপা মতমদা মোটোরসাইকল এক্সিদেন্ট অমদা মকোক্তা শোকখিবদগী না পঙবা মীশক হায়বদু ওইখি।

করিগুমবা কান্দা ন্যুরোবাইওলো-জিকেলগী ওইবা মরমশিং হায়বদি নাকোংদা নৎত্রগনা ব্রেনদা অশোয়বা লৈবদগী না পঙবা মীওই কয়া অমসু লৈরিবনি। মতাংসিদা মখোল (সাউন্দ) না ব্রেনদা মতৌ করম্না য়ৌরকপগে হায়বগী প্রোসেস শম্লপ্পা খঙমিন্নবা য়াই। সাউন্দ ৱেভনা নাকোংগী মপান থংবা শরুক্তা য়ৈরবা মতুংদা নাকোং মখুলদা চঙখিদুনা নাকোং দ্রম য়ৌখি। মফমদুদগী ভাইব্রেসন ওইনা ময়ায় থংবা শরুক্তা লৈবা য়াম্না পীকপা শরু(ইয়র বোন) অহুম ফাওরগা শমগী সেল (হ্যের সেল) শিংদা অমুক য়ৈখি। হ্যের সেলশিং লেঙথোক-লেঙশিন তৌবদুনা মরম ওইরদুনা ভাইব্রেসনশিং অদু নর্ভ ইম্পল্সতা ওন্থোক্লগা ব্রেন য়ৌহনখি। অদুদগীদি ব্রেননা অমুক ওদিটরি কোর্টেক্সতা থাদোরক্লগা মখোলদা অমুক ওন্থোকপনি। মতৌ অসুম্না কনাগুম্বা অমনা করিনো অমা হায়রকপা মতমদা ঐখোয়না তারিবসি অশাংবা প্রোসেস অমা চথরবা মতুংদা তাবা ফংলিবনি। প্রোসেস অসিগী শরুক অমা নৎত্রগা অমদা খজিক্তং অশোয়বা লৈবদা তাবা ঙম্বগী চাং ৱাৎতুনা না তাথীবা হায়বদু ওইরক্কদৌরিবনি।

না তাদবা হায়বসি মীরক তিনবদা খুদোংচাদবা অমসুং পাউ ফাওনবা ঙমদবদগী নোক্লবীফম ওইদুনতা তোকপা মরম্না মসিদগী মাঙজৌননা ঙাকথোক্লবা চেকশিন-থৌরাং খরা খঙমিন্নবা য়াম্নমক তঙাইফদবনি।

ৱর্ল্ড হেল্থ ওর্গনাইজেসনগী মতুং ইন্না না তাদ্রবা মীওই তংখায় অমদি মাঙজৌননা ঙাকথোক্লম্বা য়াবনি হায়রি। মরু ওইবা চেকশিন থৌরাংশিংগী মনুংদা কোঞ্জেনিটেল ইনফেক্সন তৌদনবা ইম্যুনাইজেসন তৌহৌবা অমসুং ওটাইটিস মিদিয়াগী রিস্ক হন্থহন্নবগীদমক ইনফ্লুএঞ্জা অমদি ন্যুমোনিয়া নারক্তনবা হীদাক কাপথোকহৌবা হায়বসিনা অহানবা খোঙথাংনি। মসিগীসু মথক্তা মতম শাংনা অহৌবা মখোল তাদনবা হোৎনগদবনি।

